HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাও
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

লময়ানবা হিজম ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটি মোরেনা শীন্দুনা মোরেগী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবুংদা পাঙথোকখিবা লময়ানবা ইরাবতকী ১২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম



লামায় ৪

ইন্টরনেসনল ট্রান্সলেসন দে থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী নোংগ্রাকপম রঞ্জিতাদা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহোন ট্রান্সলেসন এৱার্দ লান্থোকখিবা



লামায় ১

ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ লাইয়ন্স ক্লবস, লাইয়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল লৈমরোল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা শীন্দুনা পাঙথোকপা টিচরস ট্রেনিং ৱার্কশোপ লোইশিনবগী থৌরম



লামায় ৩

লাঙ্গোলদা লৈবা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এন আই টি) মণিপুরগী কেম্পসতা পাঙথোককিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী ৬শুবা কনভোকেসনগী থৌরম



লামায় ১

Vol. 43, Issue No.182 | লৈবাকপোকপা, মেরাগী হুম্নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, October 01, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## সী এম ঙসি দিল্লিদা চৎকদৌরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা বি জে পিগা লৈঙাক পায়মিন্নরিবশিংগী মনুংদা উংখৎনবা কয়া লাকপগী মতাংদা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংগা ঙরাং অথেংবা ফাওবা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা উনরম্লগা ঙসি ইরাবত দেগী ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## HL Poll

Q: Manipur da meeyamgidamak khanba Lamyanba Irabot kumba matik chaba luchingba thorakkhigani haibagi thajaba leibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: AC khudingmakta tourist spot amamam shemgattringeida lambithong hanna shemjinba mathou tai haina khanbra?

Yes 98% No 02%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

IMPHAL → AGARTALA
IndiGO 13:25
IMPHAL → AIZAWL
Air India 12:20
IMPHAL → DELHI
IndiGO 14:30
Air India 15:55
IMPHAL → GUWAHATI
IndiGO 09:45
Air Asia (India) 11:30
IndiGO 12:20
Air India 12:45
Air Asia (India) 13:00
IndiGO 13:45
IMPHAL → KOLKATA
IndiGO 11:00
Air India 14:45

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ২৫ °C খ্বাইদগী ঈংবা ১৯ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.৮৬ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.০৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.০২

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.281729 |
| US Dollar | 70.835994 |
| British Pound | 87.225436 |
| Australian Dollar | 47.866988 |
| Chinese Yuan Renminbi | 9.918197 |
| Japanese Yen | 0.656047 |
| Malaysian Ringgit | 16.922195 |
| Australian Dollar | 47.866988 |
| Singapore Dollar | 51.238882 |
| South Korean Won | 0.059111 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.889599 |
| Thai Baht | 2.314920 |
| Myanmar Kyat | 0.04641 |
| Bangladesh Taka | 0.83819 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 38374.33 |
| Mumbai | – | Rs | 39358.29 |
| Delhi | – | Rs | 39465.24 |
| Kolkata | – | Rs | 39732.62 |

## অস! লোইরেহে!

- হো কনা-কনা লৈগে লৈবাক্কী থৌরম অমগী শেল খায়বা লাকচরিয়ে!



- খোল ওল্লগা খুমগে... হো মন্ত্রিগা দেদিগা চৎথোকখিয়ে হয়েং লাকপীয়ো!

# কোর্টতা চখরিবা কেসশিংগী ৱায়েলদা লৈঙাক্না খুৎ থিংজিল্লব্রা?

**ঈরোম্নুংদা করি...**

**মাইবম ধনবির**

### ক্রিমিনেল কেসশিংগী ৱিটনেস ওইবা ওফিসরশিংদা 'ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট' পীদ্রিঙৈদা লো সেক্রেটরিগী অয়াবা লৌননবা খঙহল্লক্লে

ইম্ফাল,সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট পীকচরবসু থৌদোক-ৱাথোকশিং মশীং থীঙমদনা থোক্লি। চহী ১০দগী ১৫ ফাওবগী মমাংদা লৌখৎখিবা কেস কয়াগী ৱায়েল লোইশিনবা ঙম্লক্তবদগী ট্রাইয়েল কোর্টশিংদা প্রোজিক্যুসনগী মায়কৈদগী কেসশিং অদু য়াওনা পেন্দিং কেসশিং অথুবা মতমদা দিস্পোজ তৌনবগীদমক নীংগ্রী তাখৎতুনা হোৎনরক্লিঙৈগী চৈরক্তা কেসশিংগী ৱিটনেস ওইবা ওফিসরশিংদা 'ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট' পীদ্রিঙৈদা সেক্রেটরি (লো) গী অয়াবা মাঙজৌননা লৌনবা খঙহল্লকপনা কোর্টতা চখরিবা কেসশিংগী ৱায়েলদা লৈঙাক্না খুৎ থিংজিল্লব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

মখল পূম্নমক্কী ক্রিমিনেল নৎত্রগা সিভিল কেসশিংগী অচুম্বা ৱায়েল কেসশিং অদুগী লিটিগেন্টশিং খক্তনা নৎতনা লৈবাক মীয়ামদা অথুবা মতমদা ফংহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবশিংগী মনুংদা কেসশিং অদুগী ৱিটনেসশিংদা মরু ওইনা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু), দিফেন্স ৱিটনেস (দি দব্লিয়ু) অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ৱিটনেস (আই দব্লিয়ু)শিং য়াওরিবনি।

অদুবু ট্রাইয়ল/ক্রিমিনেল কোর্টশিংদা অচুম্বা ৱায়েলগীদমক চখরক্লিবা ক্রিমিনেল কেসশিংগী ৱায়েলদা পি দব্লিয়ু ওইবা মকোক থোংবা লৈঙাক্কী ওফিসরশিংদা 'ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট'কী নোটিস ইস্যু তৌবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অহকপা ওর্দর অমা থোকচিল্লকপগী থৌওং অসি কেসশিং অদুগী অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবগী থবক্তা খুরৌ থাংহনবনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি।

কেসশিংগী পি দব্লিয়ু ওইবা ওফিসরশিংদা 'ৱারেন্ট ওফ এরেষ্ট' ইস্যু তৌদ্রিঙৈদা অয়াবা লৌগদবনি হায়বা ওর্দর অদু মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট : লো এন্দ লেজিস-লেটিভ এফেয়র্স দিপার্টমেন্টনা থা অসিগী ৫দা থোকখিবনি। ওর্দর অসি লোইশঙ অসিগী সেক্রেটরি (লো)না 'ওফিস মেমোরেন্দম' (নম্বর-৭/১১/২০১৯-জি এ/এল) ওইনা থোকখিবনি। সেক্রেটরি (লো)গী ওর্দর অসি পব্লিক প্রোজিক্যুটর (দিষ্ট্রিক্ট), মণিপুরগী ওফিসনা থা অসিগী ৮দা ওফিসল ওইনা ফংবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী সবোর্দিনেট কোর্টশিংগী এদিসনেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এ পি পি), দিষ্ট্রিক্টশিং, স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর (স্পেসল পি পি) অমসুং এসিষ্টেন্ট পব্লিক প্রোজিক্যুটর (এ পি পি)শিংদা ওর্দর অসিগী কোপিশিং অমুক য়ৌহনখিবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা 'ওফিস মেমোরেন্দম' অসিনা পব্লিক প্রোজিক্যুটর পূম্নমক্তা খঙহল্লক্লিবদি কেস খরদা পব্লিক প্রোজিক্যুটরশিংনা সবমিসন তৌরকপদগী ক্রিমিনেল কেসশিংগী প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিং ওইরিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী হৌজিক থবক তৌরিবা অমসুং থবক্তগী পোথাখ্রবা ওফিসরশিংগী মথক্তা কোর্টনা ৱারেন্ট ওফ এরেষ্টশিং ইস্যু তৌরে হায়না খঙহল্লক্লে।

অসিগুম্বা কোর্টকী থৌওং অসিনা ওফিসরশিং অসিদা মরম চাদনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লখ্রে

## মীয়ামগীনা হান্না খনগদবনি হায়বা ইরাবতকী ৱাফম ভোট লেপ্পিবশিংনা খঙবা চঙই : বিরেন



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): মীয়ামগীনা হান্না খনগদবনি হায়বা জননেতা ইরাবতকী ৱাখল্লোন ঙসিগী ভোট লেপ্পিবশিংনা লৌশিনবা তঙাইফদ্রে হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি লীলাশিং খোংনাংখোংদা লৈবা ইরাবত স্কৱারদা পাঙথোকখিবা জননেতা ইরাবত দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগী হৌরকপদা চীফ মিনিষ্টরনা ইরাবত স্কৱারদা নৌনা শাবা জননেতা ইরাবতকী মীতম মায়খুম হাংদোকখি। জননেতা ইরাবতকী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ঈকায় খুম্নখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, জননেতা ইরাবতকী কুমওন থৌরমগী মাঙওইননা ইরাবতকী মীতম শাগনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুগী মতুংইন্না শারগা ঙসি মায়খুম হাংদোকপনি। ঙসিগী খুন্নাই অসিনা পান্নিবসি হায়খিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোকপা অদুনি। মতম পুম্নমক্তা লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগীনা হান্না খনগদবনি হায়বা জননেতা ইরাবতকী ৱাফম ঙসিগী ভোট লেপ্পিবশিংনা লৌশিনবা মথৌ তাই। নেতা ইরাবতকী মীতম অসি এসেমব্লী সেক্রেটরিএটতা মমায় ওনশিল্লি। মসি মুন্না খন্নরবা মতুংদা এসেমব্লীদা ওনশিলহল্লসি হায়না ওনশিনবনি। জননেতা ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## লময়ানবা ইরাবত লমদম অসিখক্কী নত্তনা মালেম পূম্বগী লুচিংবা অমনি : দি রাজা



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : ইরাবত সেলেব্রেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ইবোয়াইমা শঙলেনদা ১২৩ শুবা ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা কম্ম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজানা হায়খি, লময়ানবা ইরাবত লমদম অসিখক্কী নত্তনা মালেম পূম্বগী লুচিংবা অমনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং অমদি মহাক্না তৌরম্বা থবকশিংনা লুচিংবা অমনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাকই। মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবতনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক হোৎনরম্বা থবকশিং তশেংনা থাগৎতবা ঙমদে।

নাগা পিছ টোক্কী মতাংদা দি রাজানা হায়খি, ইন্দিয়া লৈঙাক্কা নাগা য়ু জি গ্রুপ অমগা ইনরিবা এগ্রীমেন্ট অদুদা করি-করি য়াওবগে হায়বদু খঙবা ঙমদে। অদুবু সী পী আইনা মণিপুরগী শক্তম কায়হন্দনবা তৌবা য়াবা থবকশিং তৌগনি অমদি মণিপুর মীয়ামগীদমক সী পী আইনা মতম চুপ্পদা লেপ্তুনা লৈগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সী পী আইগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, মণিপুরদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বী) চৎনবা শুকয়া য়ারোই। লময়ানবা ইরাবতনা মণিপুরগী শক্তম কায়হন্দবা পান্নবগী মতুংইন্না সী পী আইনা মণিপুরগী শক্তম ...মখা লামায় ৩ কলম ২

### নেসনেল ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন দে

## চাং নাইনা ঈ দোনেট তৌবনা কান্নবা কয়ামরুম পী : দা. তোমচা

**ডা. খাইদেম অথৌবা**



ডা. এল তোমচা খুমন



কৈশাম সনায়াইমা (ব্লদ দোনর)



নোংমাইথেম গ্যানেশ্বর (ব্লদ দোনর)

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) : মেদিকেল সাইন্সনা চাউখৎলকপগী মতুংইন্না অনৌ-অনৌবা লায়েং পথাপ কয়া চখরকপা মতমদা ঈ মথৌ তাবগী চাংদি হেনগৎলক্লি। কনাগুম্বা অমগী পূন্সি কনবদা মথৌ তারিবা ঈ দোনেট তৌবগী তঙাইফদবা ফীভম কয়া অমা লাক্লি।

মালেমগী মফম খূদিংদা পাঙথোক্লবগুম মণিপুরদসু হয়েং নেসনল ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্লগদৌরি। নেসনল ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন দেনা লাকপগা মরী লৈননা পাউচে অসিগা অখন্নবা উনবা অমদা এন ঐচ এম মণিপুর ব্লদ সেলগী ষ্টেট প্রোগ্রাম ওফিসর ডা. তোমচা খুমননা হায়খি, কনাগুম্বা অমনা চাং নাইনা ঈ দোনেট তৌবনা কান্নবা কয়ামরুম পী। ঈ চাং নাইনা দোনেট তৌরিবা মীওই অদুদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মাঙজবা লৈতে। কনাগুম্বা খরনদি ঈ দোনেট তৌবগী মতাংদা লান্না শন্দোকপসু য়াওদবা নত্তে। ঈ দোনেট তৌরবা মতুংদা তোঙান্না অফবা চীঞ্জাক কা হেন্না চাবগী থোইদোকপা মথৌ তাদে। ঈ দোনেট তৌবা মতমদা চাকখাউ হাঙদনা লাকপদি ফৈ। মৈখূ শীজিন্নবা অমদি য়ু থকপা মীশক ওইরগদি ঈ দোনেট তৌবগী নুমীৎ অদুদা হায়রিবা চীঞ্জাক মখলশিং অসি চাদবনা হেন্না ফৈ। চাং নাইনা ঈ দোনেট তৌবনা মীওই অদুগী ৱাখল্লোনদা শেলনা লৈবা য়াদবা ৱাখলগী নুংঙাইবা কয়া ফাওহল্লি। কনাগুম্বা ঈগী মথৌ তাবা মীওই অমদা ঈ দোনেট তৌখ্রে হায়বগী চাউথোকচবা অমদি অপেনবা ফাওই। চহী ৫০গী মথক্তা লৈবা নুপাশিংনা চাং নাইনা ঈ দোনেট তৌরবদি হার্ট এটেক ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## এন আই টিগী অৱাৎ-অপাশিং সেন্টরদা ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি : চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস): দিল্লিদা চৎপা মতমদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি মণিপুরগী অৱাৎ অপা পুম্নমক হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিদা ময়েক শেংনা খঙহল্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লাঙ্গোলদা লৈবা এন আই টিগী কেম্পসতা পাঙথোকখিবা ইন্সটিট্যুট অসিগী ৬ শুবা কনভোকেসনদা ৱা ঙাংবদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, এন আই টি মণিপুরবু লমদম অসিগীদা নত্তনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা টেক্নিকেল ইন্সটিট্যুট অমা ওইনা চহী ৯ লৈরক্লবা ইন্সটিট্যুট অসিনা টেক্নিকেল এন্দ হায়র এদ্যুকেসনগী লমদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাং কয়া লৌখৎখিবগা লোয়নননা লৈবাক অসিগী অতৈ অতোপ্পা ইন্সটিট্যুটশিংগা চাংদম্নবদা মীংচৎ কয়া পুরকপা ঙম্লে।

পুম্নমক অসি ইন্সটিট্যুট অসিগী মেম্বরশিং অমদি মহৈরোইশিংগী হোৎনজমল মহয়নি। গ্রেজুয়েসন লোইরবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা মহাক্না হায়খি, এন আই টিদগী গ্রেজুয়েট লোইরবা মহৈরোইশিংনা কথোকপা অমগা লোয়নন্না থম্মোয় শেংনা থবক তৌদুনা খুন্নাইগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী এদ্যুকেস্নেল ইন্সটিট্যুটশিং ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা স্কুল পুম্নমক্কী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা স্কুল ফগৎহনসি মিসন পায়খৎপা হৌরে।

ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি গুৱাহাটিগী দিরেক্টর, প্রোফেসর টি দি সিতারাম অমদি ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইঞ্জিনিয়ারিং সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি সিবপুরগী দিরেক্টর প্রোফেসর পার্থাসার্থি চক্রবর্তিসু শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা এন আই টি মণিপুরগী দিরেক্টর প্রোফেসর গৌতম সত্রধারনা প্রিসাইদ তৌখি। তুংদা চীফ মিনিষ্টরনা মীকোক থোংলক্লবা মহৈরোইশিংদা গোল্ড মেদল লান্থোকখিবগা লোয়নন্না পি ঐচ দি, এম টেক, এম এস সী অমদি বি টেক্কী মায় পাক্লবা মহৈরোইশিংদা দিগ্রি খুৎশিন্নখি।

## মথং চহীদগী ফোন মখল খরদা ৱাটসএপ শীজিন্নবা য়াররোই

ন্যু দিল্লি, সেপ্তেম্বর ৩০ (এজেন্সি) : আই ও এস ৮ দিভাইস শীজিন্নরিবা মীওইশিংনা মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ১ দগী হৌনা ৱাটসএপ শীজিন্নবা য়াররোই। ইন্সটেন্ট মেসেজিং প্লেটফোর্ম ৱাটসএপনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সিগী পার্ডনা হায়, এন্দ্রোইদ ভর্জন ২.৩.৭ অমদি মসিদগী হেন্না লিবা মখলগী ফোন শীজিন্নবা মীওইশিংনা অনৌবা একাউন্ট শেম্বা য়াররোই, হান্নগী অরিবা একাউন্টশিং রিভেরিফাইদ তৌবসু য়াররোই। অদুমওইনমক মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ১ ফাওবা মখা তানা ৱাটসএপ শীজিন্নবা য়াখিগনি।

কনাগুম্বনা মখা তানা ৱাটসএপ শীজিন্নগে ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## রঞ্জিতাদা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহোন ট্রান্সলেসন এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): ইন্টরনেসনল ট্রান্সলেসন দে থৌরম পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না নোংথোম্বম কুঞ্জমোহোন ট্রান্সলেসন এৱার্দ ৱেষ্ট বেঙ্গলদগী নোংগ্রাকপম রঞ্জিতাদা লান্থোকখ্রে।

সাহিত্য থৌপাংলূপ ইম্ফালনা শীন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কোরস রেপর্টরি ঠিএটরগী চেয়রমেন রতন থিয়ামনা নোংথোম্বম কুঞ্জমোহোন ট্রান্সলেসন এৱার্দ অদু অইবী নোংগ্রাকপম রঞ্জিতাদা খুৎশিন্নখি। এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, ৱাংখৈ ফি অমদি সার্টিফিকেট য়াওরি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা কোরস রেপর্টরি ঠিএটরগী চেয়রমেন রতন থিয়ামনা হায়খি, ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## লমদমসিদগী ময়াই কাবা দ্রগ মপুং ফানা মুখৎনবা ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপমিন্নরসি : ডা. নজমা হেপ্তুলা

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস): লমদমসিদগী ময়াই কাবা দ্রগ মপুং ফানা মুখৎনবা অমদি ময়াই কাবা দ্রগ লৈতবা লমদম ওইহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না লেপমিন্নরসি হায়না মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা কম্প্রেহেন্সিভ এপ্রোচ টু কোম্বেটিং ইল্লিসিট ট্রাফিক্কিং ওফ অফঘান ওপিএট এন্দ দ্রগ সিচুয়েসন ইন নোর্থইষ্টকী কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

যুনাইটেদ নেসন্স ওফিস ওন দ্রগস এন্দ ক্রাইমনা শীন্দুনা



নুমীৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদবা কনফরেন্স অদু হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলানা হায়খি, রাজ্য সভাগী মেম্বর অমা ওইনা লৈরিঙৈ মতমদা পার্লিয়ামেন্টরি দেলিগেসন টু জেনরেল এসেমব্লীগী মেম্বর অমা ওইনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকা ৱারী শাবা হৌরকখি। কম্মনৱেল্থ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিএসনগী পার্লিয়ামেন্টরি দেলিগেসনগী রেগ্যুলর মেম্বর অমসু ওইখি। পার্লিয়ামেন্টরি ফোরম ফোর হ্যুমেন দিভলপমেন্ট অসি কুমজা ১৯৯২ দা শেমখি। য়ু এন দি পিগী হ্যুমেন দিভলপমেন্ট এম্বেসেদর ওইনসু নোমিনেট তৌখি। পি এফ ঐচ দিগী মীৎয়েং মখাদা এদ্যুকেসন, ঐচ আই ভি/এইদস, ইনভাইরনমেন্ট অমদি তোঙান ...মখা লামায় ৩ কলম৪

ড্রাইভর পামজৈ

গাড়ী থৌবা হৈবা মশাগী চহী ২৫ দগী তাদবা চহী ৩ এক্সপরিয়েন্স লৈবা অমদি মশাগী ভেলিদ দ্রাইভিং লাইসেন্স পায়বা মীওই ২০ অথুবগী লৌনবগী ফোর্ম থাজরি। থাগী তলব ওইনা Rs. 9000 + Incentive + Allowance পীজগনি। মহৈগী থাক Class-VIII pass নি লোয়নন্না Hindi, English ঙাংবা হৈবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী ওফিস এদ্রেস অসিদগী খঙবিবা য়াগনি। ফোর্ম লাক্লিবা তাং ০২।১০।২০১৯ ফাওবা থাজগনি।

Manipur Cab Service
M.G. Avenue, Thangal Bazar, 2nd Floor MDU Building
Near Punjab National Bank

HL-P/3573/6/8-6/9




HL-P/4000/17,19-29... (alt)